**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 25-07.2024)**

**সিএম (এল)ঃ** রাজ্যগী সেরিকলচর বিভাগ অমদি স্কিলস, লেবর ইমপ্লোইমেন্ট এন্দ ওন্তরপ্রেন্যুরসিপ বিভাগকী মখাদা লৈবা মণিপুর বিল্ডিং এন্দ আদর কন্সত্রক্সন ৱার্করস ৱেলফ্যার বোর্দনা শিন্দুনা ঙসি ইম্ফালগী মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা মহৈ মশিং তল্লিবা অঙাংশিংদা মখোয়না লাইরিক লাইশু তম্বদা মতেং ওইনবা শেনফমশিং য়েন্থোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা থৌরম অদুদা রাজ্যগী সেরিকলচর বিভাগনা পুথোকপা হেন্দ বুক ফোর ফার্মরস হায়বা লাইরিক অমসু মীয়ামদা খুৎশিন্নখি।

মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা অপুনবা বিনিফিসরি ৪০০ রোমদা লুপা লাখ ২৯ লিশিং ৬৫ রোমগী শেনফমশিং মখোয় মখোয়গী অঙাংশিংগী মহৈ মশিং তম্বদা মতেং ওইনবা দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফরগী খুত্থাংদা য়েন্থোকখিবনি।

থৌরম অদুদা, শ্রী বিরেননা হায়-সেরিকলচর বিভাগনা মীওই কয়াদা ট্রেন্নিং পীদুনা মখোয়বু শেন্থোক লম্বীদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লি। লমদম অসিদা ফংবা তোঙান তোঙানবা ডহৈ-ৱাহৈশিং নিংথিনা শেম শাদুনা য়োনবা অমদি পোৎথোকশিং অসি মপান লমদা থাদোকপা ঙমলে। মসিগী মথক্তা বিভাগ অসিনা অমোৎ অকায়শিংদগী হার শেন্বা শাবগী ট্রেন্নিং পীদুনা মীওই কয়াগী শেন্থোক লম্বী ওইরি। মহাকা মখা তানা রাজ্য অসিদা লৈরিবা সেরিকলচর বিভাগকী তোঙান তোঙানবা মফম মঙাদা চাউখৎ থৌরাংগী ওইবা থবক কয়াসু পায়খৎলি হায়না ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গো সিংহনা হায়-মীয়ামগী য়াইফ তেংবাংগীদমক মনিপুর বিল্ডিং এন্দ আদরস

কন্সত্রক্সন ৱাকরস ৰেলফিয়ার বোর্ড মথৌ ফজনা পাঙথোক্লি। মসিনা চহিগী ৬০ গী মথক্তা লৈবা লেবর কার্ড পায়বশিং, অঙাংশিংদা মহৈ মশিং তম্বগী কান্নবা অমসুং অনা-লায়েংগী খুদোংচাবসু ফংহল্লি। সরকারনা অসিনা লৌখৎলিবা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাং কয়া অসিদা পুকিং থৌগৎপীদুনা থাজবা থম্বীয়ু হায়না মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি।

**জিরি (এল)ঃ** নোর্থ ফ্রন্তিয়ার রেলৱেগী অখন্নবা রেল গাড়ি অমা ঙসি খোঙসাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলরে। দাবা ২১ য়াওবা চেং পুবা রেলগাড়ি অদু অয়ুক পুং ৮ মখায় অদুৱাইদা খোংসাং রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলবনি। মদুগী মমাংদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা রেল গাড়ি অদু জিরিবামদগী খোংসাং তমা লাকখিবনি।

মরক অসিদা, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পনদুনা লৈরম্বা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২৪০ রোম সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ঙসি ইম্ফাল্লোমদা থোরকখ্রে।

**দিংগো (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চনবা সেকমাই কেন্দ্রগী খুরখুলদগী ফুমলৌ অমদি মসিগা লোন্নবা লমশাং কেন্দ্রগী মনুং চনবা ময়াংলাংজিংগী লম্বীশিং সোসিএল ৱেলফিয়ার মন্ত্রি-হৈখাম দিংগো সিংহনা মশানা শেল পুথোক্তুনা শেমজিনখ্রে। হায়রিবা লম্বী অসি নোংজ্ থা অসিদা লম্বীগী ফিভম হেন্না শোকচিল্লকপদগী তঙাইফদনা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা হেন্না খুদোং চাহন্নবগীদমক শেমজিনখিবনি।

লম্বী শেল্লিবা অদু মন্ত্রিনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখি অমসুং মফম অদুগী মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী শেম্বদা চাউনা মতেং পাংখিববু মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি। হন্দক ঈশিং ঈচাওনা লম্বী থোং কয়া থুমজিনখিবা অদুনা হেন্না লম্বী থোংগী ফিভম শোকচিনখিবগী মরম অমসু ওইগনি হায়না মন্ত্রিনা মখা তানা ফোংদোকখি। লোয়ননা সেকমাই কেন্দ্রগী লম্বী থোং অয়াম্বা চিংয়া তময়া

ওইবনা লন্বী ফত্তবগী চাং হেল্লি। মরম অদুনা কেন্দ্র অসিগী লন্বী থোং ফগৎহন্নবা সরকারদা তকশিনগনি হায়নসু মন্ত্রিনা হায়খি।

**এক্সিদেন্ট (এল)ঃ** ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিয়েট মমাংদা ঙসি নুংথিল টাটা তিপর ত্রক অমগা গাড়ি মচা অমগা থেংনজিনবদা নুপী অমা লৈখিদ্রে। মীওই অদু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খোংমনদগীনি হায়রি। মহাক মপুরোইবগা লোয়ননা গাড়ি মচা অদুদা তোংদুনা লাকপনি। অদুবু নুপী অদুদি থৌদোক থোকফম অদুদা লৈখিদে হায়রি। অদুগা মহাক্কী মপুরোইবা অদুনা হোস্পিতালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি।

**এআর (এল)ঃ** চান্দেল জিলাদা পোৎ-চৈ পুরকপা গাড়ি অমা এক্সিদেন্ট থোকপদগী অসাম রাইফলসনা কনবা ঙমখ্রে। গাড়ি অদুদা য়াওরকপা পোৎ-চৈশিং মনাক নকপা অসাম রাইফলসকী পোষ্টতা পুরক্তুনা থমখি অমসুং শোক্লবা মীওইশিংদা ফার্ষ্ট এদ পীখি।

**মৈ (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পানি লিমিটেদনা মীয়ামদা পি.এম. সুরিয়া ঘর মুফ বিজলি য়োজনাগী কান্নবা লৌননবা আপিল তৌরি। প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা স্কিম অসিনা নুংশাদগী মৈ লৌদুনা ইমুংশিংদা মৈ ঙালহন্নবা হোৎনরি।

স্কিম অসিগী কান্নবা লৌনিংবা মীওইশিংনা ৱেব সাইট-ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট পি.এম. সুরিয়া ঘর দোট জি.ও.ভি. দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোল ৱেব সাইট-এম.এস.পি.দি.সি.এল. দোট ইন ফো নৎত্রগা ইম্ফালগী অনিশুবা মনিপুর রাইফলদা লৈবা এম.এস.পি.দি.সি.এল. কোরপোরেট ওফিসকী কর্ম্মরসিএল সেক্সনদগী খঙবা য়াগনি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং মশা মশাগী য়ুমদা হনজিলহন্নবগী মতাংদা খন্নবগী থৌরম অমা ঙসি জিলা অসিগী পনজাউ পালুমগী রিলিফ কেম্পতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-রোহিত অনন্দ অমসুং এস.পি. টি.ঐচ. বিক্রমজিৎ শরুক য়াখি।

দি.সি. অমসুং এস.পিনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী অপান্বা অমদি অনিংবা পুমমক থবক্তা অথুবদা ওস্থোক্লগনি হায়বগী থাজবসু মীফম অদুদা ফোংদোকখি।

**কলেজ (এল)ঃ** খা-মনিপুর কলেজ এলুমনাই এসোসিয়েসননা শিনদুনা ঙসি কলেজ অসিগী অকোইবদা ৭৫ লক শুবা বন-মহোতসবকা মরী লৈননা অশোক্কা পান্বীশিং থাখ্রে। মালেমগী হোংলক্লিবা অইং আশাগী খল অসিদগী খরমখৈ কান্ননবা অমদি খা-মনিপুর ককচিংগী অকোইবগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা কলেজ অসিগী এলুমনাই এসোসিয়েসননা থৌরম অসি পাঙথোকখিবনি। উ পান্বী থাবগী থৌরম অসি এসোসিয়েসন অসিগা কলেজ অসিগী এন.সি.সি. কেদেদশিংগা খুৎশমদুনা অশোক্কা উ পান্বী ১০০ রোম থাখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি নোনেগী হাউচোং খুলদা লু-নান্না থম্বগী খোঙজং অমা চথখ্রে। মফম অদুগী মীয়ামনা অসাম রাইফলসকা খুৎশমদুনা খুল অদুগী অকোইবা মফমশিং তরু-তান্ননা থম্বদা মতেং পাংখি।

অমরোমদা, ভারত লান্মীনা ২৫ রক শুবা কার্গিল বিজয় দিবজ নীংশিং কুমওন অমদি ওপরেসন বিজয়দা লৈখিদ্রবা ভারত লান্মীশিংদা ইকায় খুমবগা মরী লৈননা থৌরম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মেজর জেনরেল-এস.এস. কারটিকেয়ানা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি।

**ত্রেন্নিং (এল)ঃ** রাজ্যগী ইনর্ফোমেসন বিভাগকা এম.এস.ঐচ.সি.এল. টেক-ককচিং ব্রান্সকা খুৎশমদুনা ঙসি স্কিল দিবলপমেন্ট ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ককচিং বজারদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ২০২৩-২৪ দা ক্লাস টুয়েল্ব লোইখ্রবা মহৈরোইশিংগীদমক্তা পাঙথোকপনি।

**গভরমেন্টঃ** সরকারনা হায়রি-চহি তরা অসিদা হায় কোর্টতা লৈরিবা জজশিংগী মশিং ৯০৬ তগী লিশিং ১,১১৪ দা হেনগৎলে।

রাজ্য সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা লো এন্দ জষ্টিস মন্ত্রি-অরজন্ রাম মেঘাৱালনা হায়-সুপ্রিম কোর্ট অমসুং হায় কোর্টকী জজ লৌবগী থবক অসি ভারতকী সংবিধানগী মখাদা চত্থবনি। মসি জাৎ কাংলুপ নায়দনা পাঙথোকপনি। খল্লবা জজশিং অদু সুপ্রিম কোর্ট কোলিজিয়মনা থাগৎলকপা মীওই ঙাক্তনি।

**বজেটঃ** লোক সভাদা ঙসি কেন্দ্রগী বজেট মখা তানা খন্নখি। খন্নবা অদুদা শরুক য়ারদুনা কংগ্রেসকী চরনজিৎ সিংহ্ চনিনা হায়-হন্দক পুথোক্লিবা বজেট অসি মীয়ামদা কান্নবা পীবা বজেট অমা ওইদে। মসি অচান মীরাই নাইবা মওংদা চত্থবা বজেটনি।

পঞ্জাবতা হন্দক ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা তেংবাং পীবগী ৱাফম অমত্তা বজেট অসিদা য়াওদে। বজেট অসি খন্নবদা শরুক য়ারদুনা এন.সি.পিগী সুনিল তৎকরেনা হায়-মহাক্কী রাজ্য মহারাস্ত্রাদা এন.দি.এ. সরকারনা পানবা মতমদা চাউখৎ থৌরাংশিং পায়খৎখি। অসুমা, সরকারনা পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং অসি বিরোধি দলশিংনসু থাগৎফম থোকপনি, অদুবু মসি খঙশিন্নদনা মরাল শিফম থোকই হায়দুনা পংশিদা শিবা অসি তৌফম থোক্তে।

**পেরিসঃ** পেরিস ওলিম্পিক হয়েংদগী হৌরগনি। ওলিম্পিক অসিদা ভারতকী শান্নরোই ১১৭ না তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা শরুক য়াগনি।

হন্দক্কী পেরিস ওলিম্পিক্তা শান্নরোই ১১৭ না শরুক য়ারি। মনিপুরদগী শান্নরোই সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং নিলাকান্ত শর্ম্মা শরুক য়ারি। গেমস অসিগা মরী লৈননা ইম্ফালগী তাকয়েলপাৎতা লৈবা সাই এন.ই.আর.সি. কমপ্লেক্সতা এসে ইবা চাংদমবা, লাইয়েকপা অমসুং কুইজ কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি। মসি সাই. এন.ই.আর.সিনা শিনবনি। মসিদা ক্লাস নাইনদগী টুয়েল্ভ ফাওবদা তম্লিবা মহৈরোইশিং চাংদমবা অসিদা শরুক য়াবা য়াগনি। অকুপ্পা মরোল সাই এন.ই.আর.সি. ইম্ফাল ওফিসতগী নৎত্রগা মখোয়গী ৱেব সাইট ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু ডব্লিয়ু দোট সাই এন.ই.আর.সি. দোট ইনদগী খঙবা য়াগনি।

আরচরিগী ইন্দিভিজয়েল রেঙ্কিং রাউন্দদা ভারতকী শান্নরোই দিপিকা কুমারি, অনকিতা ভাকৎ, ভজন কোর অমসুং বি. ধিরজ শরুক য়ারি। হন্দক্কী ওলিম্পিক গেমস অসিদা ভারতনা আরচরিগী ইভেন্ট ৫ দা শরুক য়াগনি।

নুপী আরচরি ইন্দিভিজয়েল রেঙ্কিং রাউন্দগী মেটচশিং ঙসি নুংথিল পুং ১ হৌখি। মদুদা ভারতকী টিমনা মরিশুবা মফমদা লৈরি। মখোয় ক্বাটর ফাইনেল শান্ননবা শেম শারে।

**রেদিওঃ** ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা ভারতকী ৫০০ শুবা কম্যুনিতি রেদিও ষ্টেসন শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা ইনর্ফোমেন অমসুং ব্রোদকাষ্টিংগী রাজ্য মন্ত্রি-ডা: এল. মুরুগন অমসুং মিজোরামগী মুখ্য মন্ত্রি-লালদু হোমাসু শরুক য়াখি। অপনা রেদিও ৯০.০ এফ.এম. হায়রিবা রেদিও ষ্টেসন অসি আইজোলগী ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ মাস কম্যুনিকেসননা চল্লাইগদবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী বৈষ্ণবনা হায়-হায়রিবা রেদিও ষ্টেসন অসিনা মফম অদুগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামদা চাউনা কান্নবা পীরগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, ২৫ শুবা কার্গিল বিজয় দিবজ পালন থৌরমদা শরুক য়ানবগীদমক হয়েং কার্গিল ৱার মেমোরিএলদা চৎকনি।

মহাকা থৌরম অদুদা কার্গিলদা লৈখিদ্রবা ভারত লান্মীশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎকনি। শ্রী মোদিনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা শিনকন-লা টনেল প্রোজেক্টকী যাত্রা হুনগনি। হায়রিবা টনেল অসি নিমু-পাদুম-দরজা লম্বী ফাওদুনা লেহগা শমনহনগনি। টনেল অসি মালেমদা খ্বাইদগী ৱাংবা টনেল অমা ওইগদৌরি।

**রাজনাথঃ** ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ভিয়েটনাম এম্বেসিদা ঙসি চৎতুনা সেন্ট্রেল কমিতি ওফ দা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ভিয়েটনামগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা লৈখিদ্রবা ঙু য়েন ফু ত্রোংদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

চহি ৮০ শুরবা লুচিংবা অসি মমাং চয়োলদা হনোইদা লৈখিদবনি।

**আইএমদি** ঃইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই.এম.দি)না হায়রি-লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা অমসুং ময়াই থংবা শরুকশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা অকনবা নোং চুরবা য়াই। অকাশবানিগা ৱারী শান্নবদা আই.এম.দিগী সেনিয়র সাইন্তিষ্ট আর.কে. জেনামনিনা হায়- গুজরাত, কোনকান, গোৱা অমসুং মহারাষ্ট্রদা হয়েং ফাওবদা অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, গুজরাতকী মুখ্য মন্ত্রি ভুপেন্দ্র পাতেলনা রাজ্য অসিগী ঈশিং ঈচাউনা শোকহল্লবা মফমশিং চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- জিলা ৭ তগী মীওই ৫৩৫ না কনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মীওই লিশিং ৪,২০০ শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্তুনা লৈহনখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** শ্রীলঙ্কাগী চথরিবা ৱিমেন্স এসিয়া কপ টি-ত্বেন্তি ক্রিকেটকী সেমি

ফাইনেলদা ভারতকা বঙ্গলাদেশকা অমসুং শ্রীলঙ্কাকা পাকিস্তানগা হয়েং থেংনরগনি। মেটচ অনিমক শ্রীলঙ্কাগী দাম্বুলা ইন্তরনেসনেল ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।